## এডিটোরিয়েল

### মাঙজৌননা শেম-শাহৌবদি ফৈ

*সাউথ এসিয়ান কন্ট্রিশিংগা লল্লোন-ইতিক্কী থবক চখারকপদা ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা লমদমশিংদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসি য়াম্না মরুওইবা চংথোক-চংশিনগী লম্বী কয়া অমা ওইগদৌরি । মসিগীদমক লুক ইষ্ট নত্রগা এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসি শেমলকপনি । মসিগী মতুং ইন্না নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেটশিং ফাওনা সাউথ এসিয়ান হায়ব্রে নত্রগা টান্স-এসিয়ান হায়ব্রে হায়রিবশিং অসি শেমগৎলকপা মতমদা নোর্থ-ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী পুন্সিদা অচৌবা শাফু অমা পীরকপা য়াই হায়বসি অখণ্ড-অহৈশিং অমদি য়েলহৌমীশিংগী লুপ কয়ানা ফোংদোক্লরি। মসিদগী হেন্না খণ্ড-হৈরবা অমদি হ্যুম্যেন রিছোর্চকী মতাংদা স্কোলর কয়ানা পুৱারীগী লমায় কয়া ফকত্তুনা য়েলহৌমীশিংদা দিবলপমেন্টনা পীরকপা ঈথীল কয়া অদু নৈনরি। মসি য়াম্না মতম চাবা অমনি অমসুং য়েলহৌমীশিং অদুগী হক পুম্বা কলহৌবা হায়বসিনা ষ্টেটশিং অসিদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দা - লৈতাদুনা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী নাৎ অমসুং কলচর অদু কন্দুনা থম্বা ঙমগনি। মসিদা অতোপ্পা কাংলুপকা ইতিন্নদুনা লৈখিবা তারগদি খ্বাইদগী হেন্না ইনাক খুল্লবা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমগী কলচরেল হেরিটেজ অসি মাঙখিবগী মথক্তা মসিদা লৈরিবা কলচরগী মশক পুম্বা মাঙহনখিবা য়াবগী অকিবদু লৈতবা নত্তে। মসি খঙনা ইন্দিজিনস পীপলশিং অসিগী কলচর অমদি ট্রেদিসন ঙাক্না থম্নগা লমদম অসিগী মীয়াম অসি খ্বাইদগী চাওখৎলবা য়েলহৌমীশিংগী মনুংদা লৈবা অচৌবা ফুরুপ অমনি হায়বসি খঙহন্নবা চাওখৎ-থৌরাংগী প্লান তৌরিবা মীওইশিংদা য়াম্না মাঙজৌননা খঙহলহৌবা তাই। মসি ঙাকপসিদা অমদি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবা য়েলহৌমী কাংলুপ খুদিংমক্কী অচৌবা দাইত্ব লৈগনি। মালেমসিগী হোংলক্লিবা খোঙজেল য়াংলবা চাওখৎ-থৌরাংশিং অসিগী ওইরিবা অমদি ওইরক্কদবা ফিভম পুম্নমক অসি ঙসিগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীরোলসিনা খঙফম থোকই। মসিগী মথক্তা য়াম্না তাংনা ফঙবা সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লল্লোন-ইতিক্তা লৈগদবা খুদোংচাবা কয়াদু লমদমসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংনা ফঙহন্নবা থৌরাং কয়া অদুগী থৌশিল য়াৎপা মতমদা শেমহৌবা তাবনি। অসিগুম্বা মীয়াম লুপশিংনা য়াম্না কন্না চিংনবা অমসুং অকিবা কয়া ফোংদোক্লরকপদা মণিপুর সরকারনা করিগুম্বা মখল অমতগী ৱাফম ফোংদোক্তনা লৈবা অসিনা মীয়ামদা চিংনবা অমসুং অকিবা কয়া পোকহল্লি হায়বসিসু অশেংবনি হায়না লৌফম থোকই। অসিগুম্বা তাঙ্কক্তা সরকারনা পোলিসি অদু মীয়ামদা মনুং-মপাল ফাওনা খঙহন্নবা হোৎনবা তাই। মদু নত্রগদি মীয়াম্না পোলিসি অদু নত্রগা প্রোগ্রাম অদুগী ময়োক্তা লাকপা হায়বসি মশানা তাবনি ।*

*মসি হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুরগী খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা ৱাফম ঙাক্তনি। লুরবা তান্‌ফম অসিদা য়েলহৌমীশিংনা শেমজবা লুপ কয়ানা অচৌবা শেনথোক লম্বী অমা ফংবদগী শেমগৎ-শাগৎনবা থৌরাংশিংদা সরকারগী মতেং অমুক হান্না লৌররোই হায়নসু লাওথোকপা কয়া অমা পাউ-চেশিংদগী খঙবা ঙম্লে। হৌজিক পাল্লিবিনা মীওই খুদিংমক্না মশা-মশাগী হকশিং অদু খঙনা খুন্নাইসিগী মীওই অমা ওইনা হিংবগী তঙাইফদবা লৈ অমসুং হৌজিক্কী ইনখৎলক্লিবা নুপী মহৈরোই অমদি নুপা মহৈরোইশিং অসিদসু হক পুম্বা খঙনা অমসুং খঙহল্লগা মথৌ তৌহন্নবা ৱারেপ-ৱাতেন্না হায়বসি য়ুম অমদি ইমুং-মনুংগী মখা পোনগনি। মসি ঙাক্না চৎলম্বদগী ঙসিগী খুন্নাই অসি হিংদুনা ইপানাৎ অমসুং ইপুনাৎ ঙাক্না চৎপা ঙম্বনি অমসুং ইশানা-ইশাবু য়েলহৌমীনি হায়না শক তাকচবা ঙম্বনি হায়বসি খঙবা মথৌ তাই। মতম চানা ইশানা-ইশাবু শক খঙজগদবনি হায়বা পাওতাক অমা ঙসিগী মীরোলনা পীদুনা তুংগী মীরোলবু লমজিংলবা মতমদা খুন্নাই অসিগী অশেংবা মশক থোক্লক্কনি। মসিগীদমক মীয়াম হুপ্পা লৌশিং তামিন্নবা অমদি অদুমক তঙাইফদবা লৈ। অদুমকপু সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবকশিংগী লল্লোন-ইতিক তৌননবা হোৎনরিবা থৌরাং অসিগী মতোং পুম্বদি য়েলহৌমীশিংদা ফঙহৌননবা ঐখোয় পুম্বা অমদি তুংগী মীরোলশিং অদু চপ-চানা ৱাখল লৈতারবা মীওইশিংদি ওইহন্বা তাই। মতমদুখক্তদা য়েলহৌমীশিং অদুগী লৈরিবা টেলেন্ট অমসুং মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী থৌনা পুম্বা লৈরে হায়বসি অতোপ্পা মীওই কাংলুপশিংনসু খংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মতমদুদা য়েলহৌমীশিং নমথবা ঙমগদবা মীওই কাংলুপ অমত্তা লমদমসিদা চংশিল্লকপা ঙম্লোই খল্লি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহনবীয়ু

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

ইম্ফাল তুরেল, ইরিন, নম্বুল অমদি থৌবাল তুরেলনা ঈচেল কংলকপদা মনিপুর পুম্বদা ঈশিংগী, মরুওইনা থক্নবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরে হায়বসে ঙসিগী মনিপুরগী প্রজাশিংনা হেক্তা য়ানিংলবা ৱাফম্লা? হায়রিবা তুরেলশিং অসিগী ঈচেল কংখিদুনা ৱাটর সপ্লাইগী রিজাভরশিং ফংসন তৌবা য়াদ্রে হায়রিবসি হন্দক্না অহান্বা নত্তে হায়বসি হান্না ইপঙ পংলন্নবসু হৌজিক্তি লৌশিং ফজনা লৈরবা প্রজাশিংনা হেন্দোক্না খংনরবা ৱাফম্নী। হায়রিবা মথক্তা পল্লিবা তুরেলশিং অসিগী মখা পোন্না ঈশিংগী লোয়শঙনা হেক হেক মীমাং থোক্লিবসি থোক্তনবা মরী লৈনবা ফম্নাইবশিংদা ৱাকত্তুনা মতম চানা ঈশিংগী অৱাবা লৈতনবা হোৎনবদা ইকায়বা পোকপীৱা নত্রগা অকিতুজংবা য়াওবীৱা? প্রজাগী য়াইফনবা মতম খুদিং শেম শাদুনা লৈবীগদবা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা নাথেননা লৈরুবগী মহৈ ঙসিদি ইকংথা লাক্লবা মতমসিদদি হেন্না হেন্না খা-রাই খংদনা কোক্তা খুৎ হাপ্পুনা কোইচেং চেল্লন্নি হায়বসি উদ্রবসু পুম্নমক্না খংনরবনি।

প্রজাগীদমক য়াইফনবা মতম চানা তুরেল খোংনুং তেংদোক্তুনা, মফম চানা ঈশিংগী ষ্টোক থম্নবগী ৱাখল্লোন্দু থবক ওইনা পাংথোক্লন্নবদি ৱারবা মতমসিদা ঈশিংগী লোয়শঙবু প্রজাশিংনা নুংশিনা শেন্নরমগদবদু তিল্লাই খোম্বী চুবগুম্না হৈনজদ্রবা মকোক থোংবশিংনা থয়াইনরুবনা হৌজিক্তি শাওরবা প্রজাগী মীৱাতাবা হৌরক্লেদো।

মীৱা তাবদি অরাইবনি অশোয়বা ময়ামদুনা ঙসিদি ঈশিংদগী থোকপা লায়না কয়ানা লমদমসিগী কাচিন কোয়া কয়াদা অৱা চৈথেং ফংলক্কদবসি মরী লৈনবা মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা ফিভম শেমদুনা লৈবা য়ারবা মতমনি হায়বসু সজেসন তৌজগে।

কৈদৌবগে, মনিপুরসিবু মতম পুম্বদা মীমাং থোক্না চোপ্পা, ইকায়বা হন্না হেন্না লৈথেৎ হাপ্পীরনু। য়ামল্লে-হেনমল্লে-প্রজাগী শরুকসু খর খজিক খাল্লগা লৈবাক চলাইবীয়ু। পৈশানা প্রজাগী নমাদা সেন্তরদগী পেত্তুনা পুরল্লগা থবক্লা লন্নাইগী ওইনা তৌবা সেবা খুৎতৌসিদি-অতেবা ষণসু ৱাইবা হৈ হায়বসি খংজিন্বীবা ফৈ।

*অদোমগী,*
*মাৎশৌ কোম*
*বিষ্ণুপুর*

# চুমলিবসি মহৌশানি খোয়রিবনা তাইবং-মীনি!

## (লীচংকী মিয়েংদা)

'অচুম্বা' মতম পুম্নমক্তা চুমদুনতা লৈ। খোয়হন্নবা লেপ্তুনা তাইবং মী ওইবনা হোৎনদুনা লাক্লি। মৈ ঈক্তুনা অচুম্ববু খোয়হন্নবা মীওইবনা ফনা হোৎনদুনসু, ঈঙথরকপগা হেক্তা চুমথোরকই! তাইবং মীওইবগী ৱায়েলশঙ শিংদা , অচুম্বা-অরান্বা থিগৎপদা খুৎ কনবসি 'অখোয়বা / অরানবনা' ঙম্লপ চৎপগুম তৌরি। থেংখাঙ কয়া থেংনরকপা, থেংখাঙ কয়াদা অরানবনা মায় পাক্তুনতা লাক্লগসু, থেংখাঙদদি 'অচুম্বনা' মায় পাক্লকই। লোইশিন্বা ঙমদনা লৈরগসু 'অচুম্বদি' মচী লেঙদনা অদুমক লৈ। খুদম অমদা-হুয়গী মমৈ খোয়বসি, চহী চুপ্পা উতোং হুক্তুনা থম্লবসু, উতোং লৌথোকপা মতমদা, মিকুপ্তা হান্নগুম্না অখোয়বদা হঞ্জিনবদু পম্বা য়াই। মসিনা তাক্লি-হুয় মমৈ কোল্লিবদু হুয়গীদমক্তি অচুম্বনি তাকপনি। অমুকসু তাক্লি, অখোয়বা পুম্নমক লানগদবা নত্তে। খোয়ফম থোক্তুনা খোয়বদি অরানবা নত্তে, অচুম্বনি। অখোয়বা পুম্নমক অরানবা নত্তে। তৌফম থোকপনা 'অচুম্বা' নি , থোক্তবনা অরানবনি হায়না লৌজগে!

পান্দম লাক্তুনা নৈনজবদা অয়িবনা ফংবা ফিরেপ্তী-'অচুম্বা' হায়বসি 'মহৌশা' (নেচর) হায়বসিনি লৌজরি। মহৌশা লৈবনা তেংবান্বা-শিন্থা লেপত্রি। তেংবানবা (য়ুনিভর্স) গী শিল্লমদি, তাইবং কৌবা মপোক অমা পুথোক্লগা হিংহন্নবা মচল 'ঈনিল-শহুম-মৈশা' অহুম্বু চাং নাইনা লৈহন্নবা শিন্থানি। 'কোরৌ লাংশঙ' (সোলার সিষ্টেম সৌরজগৎ) হায়না খঙনরিবা, ঈনিল-ঈৱাই / শহুম-মৈশা পুথোক্তুনা, তাইবং-পান,তাইবং অহিংবা, অচৎ-চত্তা মখল কয়া লৈরক্লিবসি, 'মহৌশা' ঈমাগী লেঙদ-খুদোলনি। মহৌশানা চুম্লমখিবনা, পোকপা-শিবা নাইরিবা তাইবং-মপোক , ওন্না-ওন্না, লৈনা-কোয়না, লোইনাইদবা পুন্সি শেমদুনা, য়াৱোল নাইনা হিংদুনা লৈরিবনি। লোইনাইদবা পুন্সি ওইরিবসি, অরান্বা য়াওদবা, অচুম্বগী তুংনফম ওইরিবী 'মহৌশা' কৌবীগী থৌজালনি। 'মহৌশা' কৌবী লাইরেম্বী পলেমসু, লৈরম্বা নত্তে হায়বা মীতে পুয়া 'শকোক থিরেল' না ময়েক শেংনা তাক্লি। পুয়া লাতমদা পীরি, মদুদি-''তেংবানবগী পাউখুন্দি তাইবংচানা ফংখিদে। পুক্নুং তিল্লি মরুপ্পা তাইবং মালং উখিদে। পঙবা তাইবং মরুপ্তী ঈপুরোইগী মমিনি। মীংখৈরোলবু ফংদুনা কুমৈ উজখিবনি। অমম্বনি খঙখিদে অঙান্বনি খঙখিদে। অপোকপগী মরুপসু তরঙ থক্তা লৈরমদে। মৈ, ঈশিং, নুংশিংকা থক্কা-খাগা মঙানি। ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরমদবা মক্তনি। ঈপুরোইগী পুক্লিংনা থৌরম মৱোং ফুদোকখি। থৌরম মৱোং লেপ্তুনা অহন মঙা চিংথোকখি। অহন মঙা পুল্লপ্পা চিল্লোক্লনা লৈনখি। ঈপুরোইনা হরাউনা খেক্লা খেক্লা খৌশাখি। ঈপুরোইগী য়াথংনা অহন মৱোং হোংখরে। অতিঙানা চিংদুনা মখল মঙা ওইখরে। নুংশিৎ নিংথৌ শিৎখরে তরং নোংদোন শিন্দুনা । লাইজ ঈশিং চিংথোক্লে নুংশিৎ নোংলৈ ইন্দুনা। ঈশিং নুংশিৎ চায়নরে কান্বী মৈসু ফাওরক্লে। ময়াম্মক্কী থৌরম্না মালেম লৈশা চিংথোক্লে। তেংনা পান্বা মরম্না তেংবানবনি খঙনরে। ঈপুরোইনা য়াইফরে য়াইফ মশক ওইখরে। হৌরকপগী ৱারীনি থুমখ্রবা ঈচেলনি। মথং শিৎনা তারগা লঙজখিবিক কোক্কনি।

লৌখচ্চরিবা ছৈরেং মতেক অসি, মীতে পুয়া শাকোক থীরেলগী মতাং অহান্বনি। অহৌবা মতাং অসিমক্তদা তাক্লিবসি-মালেম তাইবংকোন অসিদা লৈরিবা 'তাইবং অলেঙ-লেঙদা' অহিংবা, পোকপা-শিবা নাইনা, য়াৱোল পরিং নাইনা, লোইনাইদনা পল্লিবা অসি খাঙমুথক্তা লৈরকখিবনি। তাইবং মপোক অসিগী মমাঙদা করিসু লৈরমদে হায়বা উৎলি। কাঙলোন (সাইন্স) গী মীয়েংদনা-'লৈরমদবা অমত্তা লৈরক্তে!' হায়না পীরি। 'মরম লৈতনা পোৎ ওইদে' হায়বা পাউরৌ লৈবনা, কাঙলোনগী ৱারোলসু লান্না লৌবসু য়াগদবা নত্তে। অদুদি শুংলৈ লৈরমদ্রগা তাইবং করম্না লাক্লিবনো? হংফম থোকপা ৱাহংনি! পুয়াগী অহৌবা মতাং অসি মখা তানা নৈনবগী মতাং থোকই! 'ঈপুরোই' হায়বা অমদি লৈরম্বগুম উৎলি। ৱাহৈ অসি থুগাইদুনা থীরগা ফংফম থোকই মদুদি- 'ঈপুরোই' হায়বদি 'ঈপু'=তাইবংবু পুথোকপীরকপা 'মপু', 'রোই'=অরোইবা =ঈপু+অরোইবা=ঈপুরোই হায়বনি হায়না, ওঝা ঈবুঙো, তখেল্লম্বা বোকুল অহল ঈবুঙোনা থম্বীরম্মী। ঈপু+অরোইবা হায়রগদি-ঐঙোন্দগী হৌনা হঙ্গৎনা থিঙ্গৎপা তাবদা ঐ-ঈপা-ঈপু-ঈবুধৌ----,মথং-মথং থিগৎলকপদা পুম্লোই হেক লোইবা, 'ঐ' লাক্লবা ঈহান হেক হান্বা 'পুকোক' ওইরে। মীয়েং অসিদা য়েংলগা 'পু' মরোল কয়া লানলকপনা, অহৌবা 'পু' বু ঐনা করম্নদি লান্বা-খঙবা ঙমগনি। ফংদ্রে-খঙবা ঙমদ্রে হায়না লৈতে হেক্তা হায়রগসু কাঙলোন (সাইন্স) না য়ারোই! মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি 'ঐ' অসি হৌরকফম অমদি লৈফম থোকই, লৈরমদ্রবদি 'ঐ' লাক্লোই। মীয়েং অসিনা তাক্লি-ঙসিগী মীরোনসিনা লান্বা-খঙবা ঙমদবা , লৈরম্মী-লৈরমদেসু হায়বা ঙমদবা, খঙবা ঙম্বা পুক্লিংবু মমহন্বা, তাইবং মমিসু উবা ফংদনা 'মম্বা' অমম্বদি লৈবা থোক্লি। মম্লম্বদগী ঙাল্লক্লবদা খঙবা ঙম্লমদবা-উরমদবা অদু উরকপদি তাইবংনা ফংলি। মসিনা মরম ওইরগা, মমখিবনা উখি- খঙখিদবদু, ঙাল্লক্লবা মতমদা উরক-খঙলকলিবসিনা, শুংলৈ হেক লৈরমদে লৌবদি অরান্বা ওইগনি! মতম পুম্নমক্তা 'অমম্বা' লৈ হায়বসি কাঙলোননা পীবা অচুম্বনি। অচুম্বদু মশক তাক্লবা, তাইবং পুথোক্লবা অহান্বা খুথাদা 'মহৌশা' গী কৈ / কোৎ লিংবা মীওইবনা, লৌশিংগী মঙাল ছলফ ত্রিঙৈ, মহৌশাগী য়াৱোল কায়খিরমদে। কুম্বী-কালেল-থারুক (ঋতু / সিজন) কায়দনা চৎলম্মী, মতমগী মথৌসু কায়দনা পাঙলম্মী। ঙসি মীওইবা খুনাইনা 'মহৌশা' গী অচুম্বা মঙাল শল্লক্তুনা, খঙদ-উদবা মমি শান্নকপগী খুদোংচাবা লৌরগা, মহৌ-পথাপ থুগাইবনা অথোইবা ওইনা লৌনরকখি। অথোইবা মুন্নবদা মহৌশা / অচুম্বা হায়বসিবু কান-কান্দুনা লাম্থোক্লরকখি। মহৌশানা পীরিবা অচুম্বদি-অচুম্বগী নুঙাইবসি লোম্বা-লোইবা লৈতনা লৈহন্নবা পান্দম্নি। পান্দম অসি ফংননবা, চাংচৎ নাইনা লীক্লা-লীক্লা, খাইদুনা লৌফম থোকই। ঙসি মালেম মীওইবা খুনাইনা লৌশিংগী মঙাল হেন্দোক্লা ছল্লকপনা, খুনাইগী ৱাখল কাল্লগা, লনাই অপাম্বদা খুৎ থাবা, অঙম-অঙম শেত্তুনা চাথোক্লবগী হৈনবীদা তৌদবা য়াদবা থৌদাং ওইনরকখি। মসিগী তেকচাক মালেম খুনাই চিংখদনা ফংলি। অয়িং-অশা-ইনিল (ক্লাইমেটিক সিচুয়েসন) কায়রক্তুনা মালেম মালহৌনরক্লি। মসিনা তাইবংগী হিংনা লম্বী মমি শামথরক্লি। হিংবগী নুঙাইবা লংথোক্লগা, শিবা হান্বা তান্নবগী হৈনবীদা য়াঙনা চেন্সিল্লক্লি। অচুম্বা মহৌশাগী পরমদি, তাইবংবু লোইনাইদবা নুঙাই-য়াইফবা পুন্সি ঈপাক্তা তাউহন্নবনি। অসিগুম্বা মপোক্তা পোক্লরবা মীওইববু, খনবা-খঙবা পীনবিদুনা, অহেন্বা মপোক ওইনা, তাইবংদা লোইনাইদবা অচুম্বা য়েলম্নবা শিন্নরক্লগা, খাঙমুথক্তা মীওইবা খক্তগী ওইনবা তাল্লক্লি। অথোই-নাপল কাখৎলক্তুনা মীওইবা মরক্তা ফাওবদা, মা-মাদগী ওইবা তান্নরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা, হিংবগী নুঙাইবা য়োৎনবা মখয়াৎ লাউনা কাদুনা ঙাইরিবা 'অশি-খয়াৎ'তা চোংশিন্নবা মাঙ থাবা তান্নবা থোক্লি।

ঙসি মালেম খুনাই চাওখৎপগী মতোল লোম্লে, তোল্লোম্বদা তোংদুনা মখে লাংনা নাপল কৈথেল কাজবা, লুকমাইথক্তা উখোকপা মাঙ থাবা তান্নজমল, খাঙ্ঙমদ্রবা 'মহৌশা' পরম কায়রক্লি। লৈফম থোকপা চাং কায়রকপনি তেকচাক থুংলরে। 'মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ-থক-খা' তাইবংগী থৱাই ওইরিবা মতিক মঙা, মা-মাগী চাং (খল / বেলেন্স ) কায়রক্তুনা, তাইবং হিংনবা লম্বী মালহৌনরক্লি। মালেম-তাইবংকোল মমি শামথরক্লি। তাইবং পুন্সি, হৌরকফম অমম-লোক্তা হঞ্জিন্দুনা মুৎখিবগী অকিবা, কাঙলোন থীবা (সাইন্টিষ্ট) শিংগী চিল কাঙনরক্লি। তারি-উরিবা, থেংনরিবা মহৌশাগী খোঙচৎ অসিদগী-অচুম্বা মহৌশাবু খোয়হন্নবা, পরম থুগাইবনা ঙসিগী মীরোল খুনাইগী অমত্তা ঙায়রবা থৌদাং ওইরে হায়বসি ময়েক শেংলৱা নিঙদবা ঙমদে! ঙসিগী চীঙ মরু কোকথোক্তুনা , তুরিল-তুরেল থিঙেল (ডাম) শেমগত্তুনা, হেঞ্জিন্না কান্নবা লৌবা তান্নবা , ঈতুঙফম ঈকোল-পাৎ কয়া ফুঞ্জিনবা, ঈরম (নালা) থিংজিন্দুনা ঐগী ঐগীদা নুঙাইবা তান্নবা, অমগা অমগা লৌনা-পীনরগা হিংমিন্নবা পুন্সিবু ঈদোমত্তা হিংনবা অকন-শিঙনবনচিংবা, শম্না-হায়রবদা, নুংশি-চান্না, য়েন্ন-শিক্না চামিন-লৈমিন্নদুনা হিংমিন্নবগী মহুত্তা ঈদোমতা হায়না-হুম্না পান্নিংবগী, ঈদোম নুঙাইনিংবগী কম্থীনা অমগা-অমগা য়েংথী-তাথীনবনা ওইহল্লিবা অমতা ঙায়রবা চৎনবী কয়া অসিনা 'মহৌশা' গী পরম থুগাইবা হায়বসি, ঙসিগী মীওইবা খুনাইগী তৌদবা য়াদবা থৌদাং ওইহল্লরা খল্লি।

মিয়েং অসিদা য়েংলগা-তাইবং মীওইবা খুনাইনা, 'মহৌশা' গী পরম থুগাইদুনা, ঐ ঐতগী নুঙাইনবা, তৌনিংবদা তৌনবা তোক্নরসি! ঐখোয় তাইবং অচৎ-চত্তা পুম্নমক খুৎশম্নদুনা 'মহৌশা' কনমিন্নরসি!

### পনখৈ তাল্লিবা ঈচেল - ৪৪৬

### ৱাই চীঙখৈ ঙানবা লুৱাং

# স্বামী বিবেকানন্দগী মরমদা শিষ্টর দেবমাতাগী ৱারেং-২

শিষ্টর দেবমাতানা স্বামীদগী দীক্ষা লৌদুনা করম্না লম্বোইবী অমা ওইখিবগে হায়বদু মমাঙদা থমজখ্রে। মখা তাবা ৱারেংগী শরুক লৌবীরসি-

নিয়ু য়োর্কতা পাঙথোকখিবা স্বামীগী থৌরমশিং য়াওখিবী অদুগা স্বামীগী থবকশিংদা মতেঙ পাংখিবী কনাগুম্বী অমা ঐখোয় ময়াম্না উখি। পোৎচৈ পুথোক-পুশিন, ৱা তাথোক-তাশিন অমদি স্বামীগী থবক্তা করি শোয়খিগদগে হায়না কোইচেন চেন্দুনা হোৎনখিবী অদু মিশ এল্লেন ৱালডো হায়বীসিনি। মশা খর নোয়বী, ৱাং চাউবী রাশি লৈবী নুপী অসি রাল্ফ ৱালডো এর্মর্শন কৌবা অফাওবা ফিলোসোফর-রাইটর অদুগী নক্নবা মরী মতানি। স্বামী বিবেকানন্দনা মঙোন্দা অনৌবা মীং অমা থোনবীখি ''হরিদাশী'', অর্থদি ঈশ্বরগী মনাই ওইবী। মিশ এল্লেন ৱালডোগী, থবক তৌবদা পূক্লিং চঙবা মতৌ, অৱাবা খাঙবা হৈবা অমসুং অধ্যাত্মিক্কী হিরমদা থৱায় য়াওজবা মতৌ পুম্বসিদা স্বামীনা মাগা চান্নবা অনৌবা মীং অদু থোনবীখিবনি, দীক্ষা পীরগা মীং থোনবদি নত্তে। মহাক্না স্বামীনা চানবা চাক ইঞ্জাং হাউনা থোংই, ফি শুই, কোল্লীকসু ফেঙই, অদুগা খুত্তা চে কলম পায়দুনা স্বামীদগী দিক্টেসন লৌই... ঙাইহাক্তা পোখাদ্রবীনি। স্বামীগী অহানবা ফোঙবা লাইরিকশিংদি মিশ ৱালডোনা ৱানা অমসুং থম্মোয় শেংনা হোৎনবগী মহয়নি।

স্বামীনা ন্যু য়োর্কতা লাকখিবদা মফমসিদা লৈবা জাৎ-কুচু খায়বগী ফজখিদ্রবা চৎনবী অমনা খূদোংচাদবা কয়া নংবা তাখি। খরা মওং তানা লৈবা য়াবা হোটেল নৎত্রগা গেষ্ট হাউস অমত্তা স্বামীনা ফংবা ঙমখিদে। য়ুম্বু ওইরিবী নুপীশিংনা তত্তনা স্বামীদা হায়, ''ঐখোয় ইশাদি জাৎ-বিজাৎ, কুচু ঙৌবা-মুবা করিশু থিদবনি অদুবু মী অতৈনা করি হায়নখিগনি অমসুং তুংদা ঐখোয়গী কষ্টমর ৱাৎকনি অদুগী ৱাতনি।'' মমল হোঙবা লৈবদসু কয়া নুংহাইতবা মফমদা স্বামী মতম মতমগী ওইনা লৈবা তাখি। নোংমা নিনি অসিগুম্বা অহোঙবা লৈফম অমদা লৈরবদা স্বামীনা মিশ ৱালডোদা হায়, ''মফমসিদা পীরিবা চাক ইঞ্জাং অসিদি য়াম্না মোৎপা কোল্লিক ঙাক্তা শীজিন্নে, মহাউসু লৈতে, ঐ শোইদনা নারক্লগনি। এল্লেন, নঙনা ঐগীদমক তোঙান্না চাক ইঞ্জাং খরা থোংবীগেরা?'' স্বামীনা হায়বা ৱাবু করম্না ঙম্লোই হায়রুনি মিশ ৱালডো। মহাক্না চত্তুনা য়ুম্বু নুপী অদু খূদক্তা উনরুরে অদুগা মখোয়গী চাকশঙদুদা চাক ইঞ্জাং থোংবা য়াহনবীয়ু হায়নরুরে। য়ুম্বুদুনসু য়ারক্লে। মিশ ৱাল্ডোগী ময়ুমদা দুকান অমা লৈ মদুদগী চাক থোংনবা চফু-উয়ান অমদি পুখম তেক্কোৎ লৌবা চৎলুরে। স্বামীনা লৈরিবা মফমদি ঠাটি ঐট (৩৮) ষ্ট্রীট ন্যু য়োর্কনি অদুগা মিশ ৱাল্ডোনা চৎলীবা মহাক মশাগী য়ুমনা ব্রুক্লীনগী চিদাইদনি, মাইল কুনলোম হেন্না লাপ্পনি। চৎনবীগী পান্বৈদি মতমদুদা শগোল গারি তোংবা অসিনি। অৱাবা খঙদনা স্বামীগীদমক মিশ ৱাল্ডোনা কোইচেন চেঞ্জবনি। অয়ুক্কী পুং নিপালদা ময়ুমদগী হাথু-হাথু থোরকই অদুগা নুমিদাংগী পুং মাপলদা অমুক ময়ুমদা হল্লি। অতৈ মতমদি স্বামীগী থবক ইন্‌খাংদা কখোকপনি।

প্রোগ্রাম থোইনা লৈতবা খরা শংবা নুমিৎসু মরক্তা ময়াওরকখি। অদুগুম্বা নুমিৎতদি স্বামীনা অমুক মিশ ৱাল্ডোগী ময়ুম তান্না চৎলি। পুং অনিরোম চঙনা শগোল গারি তোংদুনা চৎলগা মিশ ৱাল্ডোদা হায়, ''ঙসিদি চাক ইঞ্জাং ঐনা থোংলগে''। চাকখুমদা চঙলগা অনৌ অনৌবা ইঞ্জাং মখল-মথেল চাংয়েং তৌদুনা থোংবসি স্বামীগী য়াম্না নুংঙাইজবা থৌওংনি। মিশ ৱাল্ডোগী য়ুমদি মথোল অনী লোঙবা ইচম চম্বা মওংগী দলাল অমনি, মথক থংবা কা অমদা চাকশঙ ওইবনি। কাদুগী হেক মায়োক্লবা অহাংবা শরুক অমদা চাক চাফম দাইনিং টেবল থাই, কাদুদা নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়না ফংই। ইঞ্জাং মথেল খরা ভারতকী খুখোংদা থোংনবা হোৎনবদা অঙাঙগুম স্বামীনা চাকখুমদুদা কোইচেন চেনবনি। নোংচুপ লমগী মনা-মশিং অদু লৌরগা ভারতকী খুখোংদা থোংনবা হোৎনবদু অরাইবা থবক্তি নত্তে। অঙাঙ মচা অমনা মাগী পামজবা মশান্না অমদা পুমঙাউ ঙাউজবদুগা পাঞ্জকনি, চাকখুমদা স্বামীনা তৌরিবদো।ঐঙোন্দা (শিষ্টর দেবমাতাদা) মিশ ৱাল্ডো 'হরিদাশী'না অসুম্না হায়, ''অসুম্না মাগা অসুক নক্লনা অমসুং অমত্তা ওইবগী মওংদা ঐগা লোয়নরকখিবদুদা, ঐদি মঙোন্দগী দীক্ষা লৌরগা লম্বোইবী অমা ওইগে হায়না খক খল্লুখিদে। মাগী মতুং ইন্দুনা ইন্দিয়া য়ৌনা চৎকে হায়বসু নোংমতা ৱাখল পোকখিদে। খঙদে, ঐসে অমেরিকাদা অসুম লৈয়ু হায়না মপোক্কী ওইনা তম্লম্বা মালে ।... ঐনা মাগীদমক তৌখিদবা থবক অমত্তা লৈতে হায়বা য়াই। ন্যু য়োর্কতা মাগা ঐগা অহানবা পুন্না থবক তৌবা হৌরকপদা, লম্বীদসু হেক-হেক ইবানি পুন্না চৎমিন্নে। মদুদা মাগী ধর্মগী ওইবা গেরুৱা মচুগী জোন-জোন লাউবা ফিজোন্দু মতম অয়াম্বদা শেৎলগা লম্বীদা চৎমিন্নে। অউবশিংনা ঐখোয়দা মুন্না-মুন্না অমদি ইঙক ঙক্লা হেক হেক য়েঙই, ''কনা-কনানো মখোয় সিবো?''হায়দুনা হংনৈ। মওংদুদা ঐনা খরা নুংঙাইত্রদুনা স্বামীদা মী অতৈনা শেৎনরিবা খোঙ্গ্রাও-ফুরিৎ- কোট শেৎলগা চৎশি, মদুদা অউবা মীশিংনা ঙক্লা য়েংবা অমসুং ৱা হংনবদু খরা হন্থরক্কনি হায়খি। ঐনা হায়বগুম মতুংদদি মী অতৈগা মান্ননা স্বামী খোঙ্গ্রাউ ফুরিৎ শেত্তুনা চত্থোকমিন্নখি।''

স্বামী উনবা লাকপা মীশিংসে মখল য়াম্মী। অয়াম্বনা অধ্যাত্মিক্কী ওইবা ৱাশিং তানীংদুনা লাকপনি, খরা অমদি স্বামীদা শাউহন্দুনা খৎননিংবগী মওংদা লাকপসু য়াওখি। অয়ুক অমা স্বামীনা কা মনুংদা চঙলকপদা মিশ এল্লেন ৱালডো মপী শিন্থদুনা শুৎ শুৎ কপ্পম্বা থেংনখি। খরা ঙক্লা স্বামীনা হংলকখি, ''এল্লেন, করি তৌরবগে?'' মিশ ৱালডোনা খুম্লকই, ''ঐনা নহাকপু নুংঙাইনবা হোৎনজবা পুম্বা মায়থিরে। মী অতৈনা খৎনবা হৌদুনা নঙবু শাওহল্লগা নঙনদি ঐঙোন্দা হেক্তা চৈ-থাংই।'' স্বামীনা তপ্না খুম্লকই, ''য়েংউ, মখোয়দি ঐনা হান্না খঙবা মী অমত্তা নত্তে,

মখোয়দাঐনা করম্না চৈ-থাংলুগনি। ঐগী ওইবা মীদা চৈবা নত্তনদি মীতোপ্তা হেক্তা চৈরুবা য়াবরাদো হা।'' খুদক্তা মিশ ৱালডোগী পীদু খকখি, কপ্পম্বা তোকখি। স্বামীনা চৈবসি নক শিন্নবগী খুদমনি হায়না খন্দুনা মতুংদা স্বামীনা চৈরকপা য়াবা থবক থোক্লবশু হেন্নদুম হরাউনা ঙাইজখি চৈরকপা। ৱাফম' সি ঐঙোন্দা (অইবী শিষ্টর দেবমাতাদা) ৱালডো মশানা হরাউনা তমখিবনি। রোম্যান রোল্যাগুনা ইবা স্বামী বিবেকানন্দগী পুন্সি ৱারীগী লাইরিক্তদি থৌদোক অসিগা হায়রপ মান্নবা মওংগী ৱা খরা য়াওবা থেংনৈ, মদুনা অতোপ্পা মী খরগা লোয়ননা থোকখিবগী ৱা ওইনা তৌই। অনিমক চুম্লম্বসু য়াই।

নোংপোক্তগী লাকখিবা গুরু খরগসু হান্না মিশ এল্লেন ৱাল্ডোনা থবক পুন্না তৌমিন্নখ্রবনি। অচুম্বা থিনিংবগী অমসুং ঈশ্বর প্রেমগী ওইবা মথম্মোয়দা লৈরিবা অনিংবা অদুনা সাধু-সন্ন্যাসী কয়াগী মায়কৈদা মহাকসে চীংশিনখিবনি। মানা অমুকসু হায়, খরা হেন্না নকশিন্না তীন্নরুবদা মখোয়গীসু অশোনবা নৎত্রগা অশোয়বা লোনচৎ খরদি হেক্তা থেংনরকই। স্বামী বিবেকানন্দগী লমচৎতসু অদুগুম্বা অশোয়বা মচা অমদি শোইদনা উবা ফংগনি হায়না মিস ৱাল্ডোনা খঞ্জরমখি। অদুমক ওইদুনসু ফনা শাংনা য়েংলকপদা স্বামীদা অশোনবা গুন পাক উবদি ফংখিদে।

মথং-মথং চখরকপা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং মফম হোংলকখি, ন্যু য়োর্ককী অনৌবা য়ুম খরা হেন্না ফবা অমদা স্বামী নুমিৎ খর লৈখি। মাগী লৈফম কা অদু য়ৌনা কাখৎলিবা সিরীশিং অদুনা মথক য়ৌরকপদা, মায়োক্নবা ফক্লাংদা অচৌবা মিংশেল অমা থেৎলমখি। স্বামীনা মিংশেল মমাঙদুদা মাগী অনৌবা ফিরোল শেৎলগা হন্না-হন্না মশক য়েংবদু উবদা মিশ ৱালডোনা খল্লি, স্বামীসিসু মপাম্থোংগী শকফমদা কা-হেন্না মপুক্লিং চংলক্লে, মসি ওইগনি মাগী অশোনবা মচা অমা লৈরমগনি হায়না ঐনা খনবদো। স্বামীনা মাগী ৱাখলদো খঙলদুনা মিশ ৱালডোদা হায়, ''এল্লেন, ঐনা ঐগী ইশকসে অমুক্তা নীংশিংজবা ঙমজদে, অদুনা মীংশেল য়েংবনি, মসিসু অঙকপা অমনি, নৎত্রা?''

অমেরিকাদা স্বামীগী ইহান হান্না ফোঙখিবা লাইরিক্তি ''রাজ যোগ'' হায়বসিনি। স্বামীনা হায়রগা মিস ৱালডোনা চেদা ইথোকপনি। অদুম্না ফম্মিন্নবা তাঞ্জাদুনি। মিশ ৱালডোনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা।

স্বামীগী চানবা চাক ইঞ্জাং থোংবা থাকপা লোয়রদুনা স্বামীবু চানবা থৌরাং তৌরবা মতুংদা স্বামীদগী দিক্টেসন লৌদুনা লাইরিক ইনবগীদমক মহাক শেম শাদুনা লৈবনি। টেবলদা মুকফু অমা মখুম হাংদুনা থম্লগা কলম মচিন নাইবী অমনা লুপ-লুপত্তুনা চেবাংদা ইবনি (মতমদুদা মুক্তাবী কলম ফাউন্টেন পেন থোক্লমদ্রি)। স্বামীনা সংস্কৃতকী ৱাহৈ অমা ইংলিসতা মদুগা মান্নবা করি লৈবগে হায়দুনা হেক-হেক ৱাখল তৌদুনা লৈ। ৱাল্ডোনা মাগী কলমদু মুক কাংদনবা মুকফুদা লুপ্পুনা থম্মী, স্বামীনা হেক হায়রকপগা ইনবা। অসুম্না ইথোকপা লোইরবা মতুংদা, মদুবু প্রেসতা পীদুনা লাইরিক ওইনা ফোঙনবা হোৎনবগী থবকসু মিস ৱালডোনা অদুম তৌখি। প্রুফ লৌবা, অরান-অহুই শেমদোকপা, পোৎচৈ লৈথোক লৈশিন পুম্নমক মাগী দায়িনি।

নুংঙাইরিবা ৱা অমদি অমেরিকাদা ফোঙদ্রিঙৈদা লাইরিক্কী খুৎয়ীদু স্বামীগী সেবক অমনা পুরগা লণ্ডন্দা হান্না ফোঙখি।

ন্যু য়োর্কক্কী প্রোগ্রাম মথং মথং পাংথোকপা লোইরগা মতম খরা অতৈ মফমদা স্বামীনা ৱা ঙাংবগী থৌরম পাঙথোকখি। মদুগী তুংদা ঠাউজণ্ড আইলেন্দ কৌবা, সেন্ট লোরেন্সকী হৌরকফম ওইবা পাৎকী মনুং চনবা মফমদুদা অখন্নবা ট্রেনিং অমসু পাঙথোকখি। মদুদসু মিস ৱালডো এল্লেন্না অচৌবা শিন-লাংবগী থবক তৌখি। ৱাল্ডোদি ইবা খোৎপদা য়ামনা হৈ-শিংই, খরা শাংবা পেরাগ্রাফ অমগী ৱাফমদু মহাক্না শন্নপ্পা পরেং অনি-অহুমদা হেক্তা শম্না ইথোকপা হৈ। স্বামী বিবেকানন্দনা তোঙান-তোঙানবা হিরমদা লেকচর কয়া পীখিবা, ৱারী কয়া লীখিবা পুম্বা মিস ৱাল্ডোনা ইশিনহৌই, মদু খরা লৈরগা ''ইস্পাইদ টোক্স'' হায়না লাইরিক ফোঙখি। ঐখোয়সু ইশিনবদি ইশিল্লি, অদুবু মাগীদৌনা ফজবদি নত্তে। স্বামীনা ঐখোয় থনম্লগা থা ২ রোম ইংলেন্দদা চৎখি, মদুদা মিস ৱাল্ডোবু হিরম খরদা ঐখোয়গী ক্লাস লৌ হায়দুনা শীন্নরমখি। মানসু ফজনা থবক তৌখি। স্বামী হল্লক্লগদি মাদি করিসু খঙদা-হৈতবগুম হেক্তা থবক অতৈ তৌদুনা লৈখি। তশেংনমক মহাক ''হরিদাশী'' হায়বীদুনি, শোইদনা ঈশ্বরনা মাবুদি থৌজানবিগনি খল্লি। (লোইরবা)

সত্যম-শিবম-সুন্দরম

কে সি নন্দ